থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

হয়েং বেঙ্ক ষ্ট্রাইকনি

হয়েং বেঙ্ক ষ্ট্রাইক তৌগনি। ইন্দিয়াদা লৈরিবা বেঙ্ক পুম্নমক, প্রাইবেত বেঙ্ক খরা নত্তনা, থোঙ লোনগনি, মথৌ তৌরোই। বেঙ্ক ষ্ট্রাইক! যাম্না তোয়না থোক্কনবা থৌদোক অমা নত্তে। যাম্না তাঙনা থোকই। অদুগা, ষ্ট্রাইক তৌবগী মরমদুসু, অয়াম্বা মতমদা, ইমপ্লোয়ীশিং অদুগী মরম্নাই ওইবা ওইজ-ওইথক, কান্নবা অমা দিমান্দ তৌবগী ওইগনেদ। মতম মতমগী লৈঙাকশিংদুনা পায়খৎপা থৌরাংশিংদুগী মায়োক্তা ওইগল্লি। বেঙ্ক ইমপ্লোয়ীশিং, গভর্নমেন্ট ইমপ্লোয়ী নত্তে। 'লেবর লো' না পুল্লিবা, শুরগা চাবা, শুদ্রগা তোকপা শিন্মী অমনি। অনেকপা শিন্মী অমগা পাংখক ওইনা লৈরম্বা বেঙ্কতা থবক শুবা শিন্মীশিং, গভর্নমেন্ট ইমপ্লোয়ী অমগুম, থবক শুবগী চৎন-পথাপ অমা শেমদুনা 'সর্ভিস কন্দিসন' লৈরকপা - ঙরাং নহালতগী ৱারীনি। কুমজা ১৯৪৬, এপ্রিল ২০ দা ওল ইন্দিয়া বেঙ্ক ইমপ্লোয়ীজ এসোসিয়েসন পোকখিবদগী বেঙ্কতা ত্রেদ য়ুনিয়ন ঈহৌগী অহৌবা ওইখ্রবসু, বেঙ্কতা থবক তৌবা মীশিংবু বেঙ্ককী মপুনা ওৎ-নৈবগী মায়োক্তা লাম্বেংনবদি কুমজা ১৯৩৬ তগী হৌখ্রবনি। শাংলবা ইতিহাস অমনি। কুমজা ১৯৬৬ তগী বেঙ্ক ৱার্করশিংগা বেঙ্ক মেনেজমেন্তকা নাকন অনীগী ওইবা ৱারী (বাইপার্তাইত তোক) তৌনদুনা খুৎশুমল অমদি থবক শুবগী কন্দিসনশিং লেপথোক্লবগী মওং হৌরকপা অমদি কুমজা ১৯৬৯ দা বেঙ্ক ১৪ নেসনেলাইজ তৌবা ফাওবগী ৱারী - বেঙ্কিং হিষ্টরিদা কাউঙমদনা লৈরকপদু, ঙসিগী বেঙ্ক ইমপ্লোয়ীশিং অমদি প্রজাশিংগী নাকোংদদি ৱাই চিনবা ৱারী ওইনা থোক্লরে।

ৱারী অদু লীররোই। ইন্তরনেতকী মতমনি, খঙনীংবা নুমিত্তা পারুসনু। অদুবু, সিমত্তংদি তম্নীংই - করিগী ষ্ট্রাইক? ষ্ট্রাইক হায়বসি ইল্লিগেলনি, আইন্না যাদবা থবক্লি - সুপ্রিম কোর্টনা হায়রগসু করিগী কোর্ট থওইদ্রিবা? দিমান্দ অদু করিনো? ষ্ট্রাইক নত্তবা অতোপ্পা পাম্বৈনা ৱাখৈনবা ঙমদ্রবরা? ইন্দিয়ন বেঙ্কিং ইন্দষ্ট্রিনা নোংমা পুমলেপ লেপখিবদা ইন্দিয়ন ইকোনোমিদা লুপা ক্রোর চা কয়াগী অমাঙবা থোকহনবা? খঙনৈ নাকন অনীমক্তা। নেসনেল ইকনমি অসিগী অচৌবা গ্রোথ ইঞ্জিন অমা ওইরিবা বেঙ্কিং সেক্তরদা থবক শুরিবা ইমপ্লোয়ীশিং, গভর্নমেন্টকী হ্বাইত কোলর জোব হোল্ডর নত্তে, ব্লু কোলর জোব হোল্ডরনি - খঙই লৈঙাক্তা নীংথিনা। মখোয়না জোব রাইত তাল্লকপা - লৈঙাক পায়বা মখোয়গী খোয়দৌ থীৎপা অশাওবীনি। অদুনা মরম ওইরগনি, রাইত তানবা শিন্মীগী রাইত অদু মৎনবা বেঙ্কশিংবু নেসনেলাইজ সেক্তরদগী লৌথোক্লগা, প্রাইবেতাইজ সেক্তরদা পুরকপা - ১৯৯১ গী মতুংদা লাকপা লৈঙাক খুদিংমক্কী মরূ ওইবা এজেন্দা ওইরকখি। লৈঙাক্তা শেম্বা মখল কয়াগী কম্মিতিগী রিকম্মেন্দেসন থবক ওইনা পাঙথোক্তুনা, বেঙ্কিং সেক্তরগী রিগুলেসনশিং মথঙ মথঙ শেমদোরকখি - বেঙ্কশিংবু লন্নাই মীওইশিংদা শীন্নথোকখিবা য়ানবা। মখল কয়াগী অনৌবা প্রাইবেত বেঙ্ক লীংখৎলকখি। অদুম ওইদুনমকসু, হৌজিক ইন্দিয়াদা লৈরিবা পব্লিক সেক্তর বেঙ্ক ২০ অমদি রিজনেল, রুরেল বেঙ্ক ৫২ গা, পব্লিক সেক্তরদা লৈবা বেঙ্ক ৭২ অসিনা ইন্দিয়াগী অপুনবা বেঙ্কিং বিজিনেসকী চাদা মরিফু কোনশিল্লিবনি। অদুগীসু মথক্তা, বেঙ্কতা তুংশিল্লিবা অপুনবা শেনফম অসিগী চাদা ৮০ সু লায়রবা মীচম মীয়াম্না মশাগী সেভিংস একাউন্তশিংদা তুংশিনজবা শেনফমনি। য়াম্লবা শেনফম অসিদগী, ইনাক খুনবা খুজোক খরনা, মশাগী মরল লেপসীন্নবা লৌখিবা (পুখিবা) শেনফম, লুপা ক্রোর লাখ তরামঙারোম শিংগৎতনা লৈরি হায়বসি, লৈপাক মীয়ামদি লায়রদনা বেঙ্কতা থবক শুরিবা মখোয়দফাও হায়দোক্তবা ৱাফমনি। হুরানবদা শো শিন্নবা হায়বা থৌদৌদুমক লৈঙাকসিনা পামজরুদুনা, বেঙ্কশিংবু লুত তৌরগা শেঞ্জাও পায়বা ওইরকখিবা মখোয়দা বেঙ্কশিং অদুগী মপু ওইহন্নবা থৌরাং অমা পায়খৎলকই। মদুবু কৌই - প্রাইবেতাইজেসন পোলিসি। বেঙ্ক কর্ম্মচারি অমদি ওফিসরশিংনা হায় - বেঙ্ক প্রাইবেতাইজেসন য়ারোই। শিংদ্রবা লোন খোমগৎলু, শোন্থখ্রবা মপাঙ্গল কনখৎহল্লু। অশোনবা বেঙ্ক ময়াম পুনশিল্লগা অকনবা বেঙ্ক ওইহনগনি, মালেমগী থাক্তা পুখৎকনি হায়বা ৱাখল থাদোকউ। অচৌবা বেঙ্ক ওইহল্লগা, হেন্না চাউবা লোন, হেন্না চাউবা হুরানবদা পীহনগে হায়বা থৌশিলদুমক্লি। মরমদি, ঐখোয় খঙই - অচৌবা প্রাইবেত বেঙ্ক অমত্তনা লায়রবদা লোন পীখিদে। চাউখত্তবা শেন্থৌদা লৌমী কয়া পুন্সি মাঙখি।

বেঙ্কমেনশিংগী দিমান্দনি - শিংঙু য়াদনা লৈরিবা অচৌ অচৌবা 'লোন' শিং সেঙ্কসন তৌরম্বা/থৌইনশিন পীরম্বা অচৌবা ওফিসরশিংসু 'লোন'দু শিংগৎহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌহনগদবনি, একাউন্তেবল ওইহনগদবনি। অদুগুম্বা অচৌবা কোর্পোরেৎ - লোন কৈদৌঙৈদা কোকথোক- লোইদবনি, নমদুনা খোমগৎলক্লবা অকনবা লো শেমগদবনি। বেঙ্ক বোর্দস ব্যুরো মুথৎকদবনি। জি এস তিগী মীংদা বেঙ্ক চার্জ হেনগৎহন্দুনা কষ্টমরদা অৱাবা পীরোইদবনি ... অসিনচিংবা দিমান্দ ১৭ নি। খুৎশুমল (তলব) হেনগৎহল্লু ... হায়বনচিংবা মরন্নাইগী য়াইফ থৌরাংগা মরী লৈনবা দিমান্দ অমত্তা য়াওদে। বেঙ্ক ইমপ্লোয়ী অমদি ওফিসরশিংনা নোংমগী খুৎশুমল কথোক্লগা ষ্ট্রাইক তৌরিবা - তুংগী মীরোলদুগীদমক্লি, মীয়ামসিগীদমক্লি, লৈপাকসি-গীদমক্লি। নোংমা মায়োক্লগদৌরিবা খুদোংচাদব- সিগীদমক মখোয়বু ৱারৌবা তৌগুমসি। ৱারমশিং অসিগী খল্লুরগদি ঐখোয়নসু তোঙান্না ঈহৌ হৌফম থোক্তব্রা?

লৌশিং পুক্কৈ

তূম্বা ৱাৎপা নুপীশিং দাইবেটিসকী রিস্ক ৱাংই

অনৌবাষ্টদিগী রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না নুমীদাং তূম্বা ৱাৎপা নুপীশিং টাইপ-টু দাইবেটিস নারকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংনা লৈ হায়বা খঙলে।

হার্ভার্দ স্কুল ওফ পব্লিক হেল্ঠনা নুপীশিংগী ওইবা তূম্বগী মওং মতৌ থিজিন্দুনা য়েংলম্মী। মদুদা মপুং ফানা তূম্বা য়াদবা, তোয়না নাখোকপা, পুং ৬ য়ৌনা তূমদবা অমসুং মীৎকপ তোয়না থোক্কনবনচিংবা স্লিপিং প্রোব্লেম মায়োক্লবা নুপীশিং টাইপ-টু দাইবেটিসকী রিস্ক ৱাংই হায়বা খঙলকখি। রিছার্চরশিংনা নুপী ১,৩৩,৩৫৩ দা ষ্টদি অনী চথখি। হায়রিবা নুপীশিং অদু দাইবেটিস কার্দিওভাস্কুলর দিজিজ অমসুং কেন্সরনচিংবা লায়না অমত্তা নাদবা মশা-মউ ফবা নুপী ঙাক্তনি। পাক হেক তূমথবা য়াদবা, ঙাইহাক তূম্লুরগা তোয়না মীৎকপ থোক্কনবা অমসুং অহিং চুপ্পা তূম্বা য়াদবা হায়বনচিংবা স্লিপিং প্রোব্লেমশিংনা নুপী ওইবীশিংদা করি অকায়বা থোকহল্লকপগে হায়বদু খঙদোক্লবগীদমক ষ্টদি চথখিবনি।

ষ্টদি অদুবু লুচিংখিবা রিছার্চর য়ানপিং, লিনা হায়খি, নুমীদাং মপুং ফানা তূম্বা য়াদবা নুপীশিং টাইপ-টু দাইবেটিস নারকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংনা লৈ। টাইপ-টু দাইবেটিস ঙাকথোক্লবগীদমক নুমীদাং মপুং ফানা তূম্বা মথৌ তাই হায়না পল্লদুনা রিছার্চরশিংনা হায়খি, ক্লিনিকেল ফিজিসিয়ান অমসুং পব্লিক হেল্ঠ রিছার্চরশিংনা দাইবেটিস ঙাকথোক্লবগী থৌরাং লৌখৎপদা ৱাফম অসি খঙজিনবা কান্নগনি। ষ্টদিগী রিপোর্ট অসি দাইবেটোলোজিয়া জর্নেলদা হন্দক্তা ফোঙলকখিবনি।

অমরোমদা, অমেরিকান একাদেমী ওফ স্লিপ মেদিসিননা পাঙথোকখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়খ্রে মদুদি মীওইবগী চাবা-থকপগী মওং মতৌনা তূম্বদা অকায়বা থোকহল্লকই। ফাইবরগী চাং নেম্না চাবগা লোয়ননা সেচুরেটেদ ফেট অমসুং চিনিগী চাং ৱাংনা চাবা মীওইশিং মপুং ফানা তূম্বা য়াগন্দে।

মীওইবগী চাকচা-য়ুথক শোয়রবদি তূম্বদা অকায়বা থোকহল্লকই হায়না ষ্টদি অদুবু লুচিংখিবা মেরি-পিয়রনা ফোঙদোকখি। নোংমত্তং ওইরবসু ফাইবরগী চাং নেম্না চাবগা লোয়ননা ফেটকী শরুক কা-হেন্না চারবদি তূম্বদা অকায়বা থোকহল্লি।

নীংথিনা খঙ-হৈরবা ন্যুট্রিশনিষ্ট অমগী পাউতাক মতুংইন্না অখন্নবা চীঞ্জাক চাবা মতমদা তূম্বা নুংঙাইহল্লি হায়বা রিছার্চরশিংনা খঙলকখি। ষ্টদিদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংনা মশা-মশাগী অপাম্বা মওংদা চানিং-চানিংবা চীঞ্জাক চারগা তূম্নবা হোৎনবদা মিনিট ২৯ দি চঙলম্মী। অদুবু ফেটকী চাং নেম্বগা লোয়ননা প্রোটিনগী শরুক য়াম্না য়াওবা চীঞ্জাক পীজবা মতমদদি মিনিট ১৭ কী মনুংদা তূমথখিরম্মী।

জর্নেল ওফ ক্লিনিকেল স্লিপ মেদিসিনদা ফোঙলকখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়খি, তূম্বা য়াগন্দবা মীওইশিংনা পুন্সি মহিং অমসুং চাকচা-য়ুথক শেমদোকপা মথৌ তাই।

অমরোমদা, য়ুনিভর্সিটি ওফ চিকাগোদা মেদিসিনগী এসোসিয়েট প্রোফেসার ওইবা এসরা টসালিনা হায়খ্রে মদুদি অয়াম্বা মতমদা তূমশিং ফাদবা (তূম্বা ৱাৎপা) মীওইশিংনা মরক-মরক্তা মতম খরা হেন্না শাংথনা তূম্বা মথৌ তাই। নোংমগী খজিক খজিক তূম্বা ৱাৎখিবা অদুনা দাইবেটিসকী রিস্ক হেনগৎহল্লকই। অদুবু চয়োল অমগী মনুংদা অমুক্তং ওইরবসু মতম খরা হেন্না শাংনা তূমদুনা ৱাৎখিবা শরুকশিং মেনখৎপা ঙম্লবদি থোইদোক্লা খুদোংথিনিংঙাই ওইদে হায়রি।

য়ুনিভর্সিটি ওফ কোলোরেদোগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার জোসেন ব্রোসার্দনা হায়খি, নোংমদা পুং ৪ রোম তূম্বা ৱাৎপদা ইন্সুলিননা ব্লদ সুগর রেগ্যুলেট তৌবা ঙম্বগী চাং চাদা ২৩ হন্থরকই। মসিনা দাইবেটিসকী রিস্ক চাদা ১৬ হেনগৎহল্লি। অদুবু নোংমা ৱাৎহৌবা শরুক অদু অতোপ্পা থংনবা নুমীৎতা মেনখৎতুনা মতম খরা শাংনা তূম্লবদি দাইবেটিসকী রিস্ক হন্থরকই। ষ্টদিগী রিপোর্ট অসি দাইবেটিস ক্যের জর্নেলদা হন্দক্তা ফোঙলকখিবনি।

অমরোমদা, রটজরস য়ুনিভর্সিটিনা পাঙথোকখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়খ্রে মদুদি নুমীদাং তূম্লমদাইদা মোবাইল ফোন পায়দুনা টেক্সট মেসেজ থাবা নৎত্রগা ইন্টরনেট শীজিন্নবা তারবদি তূম্বদা অকায়বা থোকহল্লি। স্মার্টফোন অমদি টেব্লেটতগী থক্তোরকপা হীগোক মচুগী মঙালনা হকচাং মনুংদা মেলাটোনিন কৌবা হোর্মোন মখল অমা থাদোরকপগী থৌওংদা অকায়বা থোকহন্দুনা তূম্বা য়াহন্দবনি। মসিনা অঙাংশিংগী মহৈ-মশিন তম্বদসু অকায়বা পীরকই হায়রি। ষ্টদিগী রিপোর্ট অসি জর্নেল ওফ চাইল্ড ন্যুরোলোজিদা হন্দক্তা ফোঙলকখিবনি।

হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ নম্বর ৫৩ অমসুং লিটরেরি ক্যুইজ নম্বর ৫৪ গী ৱিন্নরশিংদা মনাশিং খুৎশিন্নখ্রে



হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ নম্বর ৫৩ গী ৱিন্নর ওইখ্রবা অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ুম



হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ নম্বর ৫৪ গী ৱিন্নর ওইখ্রবী সগোলশেম লল্লেবী চনু

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২০ (ঐচ এন এস) : *হুইয়েন লানপাউ* স্পোর্টস ক্যুইজ নম্বর ৫৩ গী ৱিন্নর ওইখ্রবা অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ুম অমদি *হুইয়েন লানপাউ* লিটরেরি কুইজ নম্বর ৫৪ গী ৱিন্নর ওইখ্রবী সগোলশেম লল্লেবী চনুদা ঙসি হুইয়েন লানপাউ গ্রুপ ওফ পব্লিকেসন্সনা ক্যুইজগী মনাশিং খুৎশিন্নখ্রে।

পাউ-চে অসিগী সেগা রোদ থৌদা ভাবোক লৈকায়দা লৈবা ওফিসতা ঙসি *হুইয়েন লানপাউ* স্পোর্টস ক্যুইজ নম্বর ৫৩ গী ৱিন্নর ওইখ্রবা অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ুম অমসুং *হুইয়েন লানপাউ* লিটরেরি ক্যুইজ নম্বর ৫৪ গী ৱিন্নর ওইখ্রবী সগোলশেম লল্লেবী চনুদা ক্যুইজগী মনাশিং অদু খুৎশিন্নখিবনি।

স্পোর্টস ক্যুইজ নম্বর ৫৩ গী ৱিন্নর ওইখ্রবা অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ুম থাংমৈবন্দ হিজম দেৱান লৈকায়দগী লাক্লগা হৌজিক্তা নোংমৈবুং সেরাম লৈরক্তা লৈরম্বা লৈখিদ্রবা কে ঐচ মনিচান্দ অমসুং লৈখিদ্রবী কে ঐচ ইতোবীগী মচানুপানি। মহাক্তা হায়খি, হৌজিক থাংমৈবন্দ অমদি নোংমৈবুং এরিয়াদা থক্লবা ঈশিংগী অৱাবা মায়োক্লরি। তোতি খরা-খরা তাই হায়বগী ৱানি, মপুং ফানা মীয়াম্না ফংদ্রি। নোংমৈবুং সেরাম লৈরক অসি লম্বী শাথিনা ফত্রে। মরী লৈনবশিংনা শেমজিনবীনবা আপিল তৌখি।

হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ অসি পারুবদা ইশাদা ঈনোৎ অমা লাক্তুনা স্পোর্টসকী মরমদা থিজিন্নিংবা ফাওখি। মরম অদুনা পাউচে অসিদা ক্যুইজগী কলম অমা হাপ্লীবসি য়াম্না নুংঙাইবা পোকই হায়খি। হৌজিক ঐচ আর দি একাদেমীদা এদমিনিষ্ট্রেটিব ষ্টাফ ওইনা লৈরি।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ নম্বর ৫৪ গী ৱিন্নর ওইখ্রবী সগোলশেম লল্লেবী চনু লংথবাল কুঞ্জ ময়ায় লৈকায়দগী সগোলশেম মণিহার অমদি সগোলশেম ওংবী লৈরেনতোম্বীগী মচা ৫ গী মনুংদা মহাক্তা অহুমশুবীনি। মহাক্তা হায়খি, *হুইয়েন লানপাউ* পাউচে অসি চাং নাইনা পাই। নুপী-অঙাংদা চথরিবা ক্রাইম অসি মীয়াম পুন্না লাকশিন্নবা হোৎনবা মথৌ তাই। ক্রাইম তৌরিবশিংসু মরী লৈনবা ওথোরিটিনা মতম চানা ফারগা লোগী মতুং ইন্না চৈরাক ফংহল্লগদি ক্রাইমগা মরী লৈনবা থৌদোকশিং হন্থরক্কনি খল্লি। লংথবাল কুঞ্জা মায়কৈদা থক্লবা ঈশিংগী প্রোব্লেম মায়োক্লরি। মসিদা নত্তনা লম্বী থোংসু কা হেন্না অফবা ওইদ্রি। মরী লৈনবা ওথোরিটিনা শেমজিনহন্নিংবগী অপাম্বসু ফোঙদোকখি।

মণিপুরী লেঙ্গ্যুয়েজ দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে, লাইরিক ফোঙখ্রে

at Manipur Press Club, Imphal
Orgd. by
PATRIOTIC W RS FORUM MANIPUR & TRI

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২০ (ঐচ এন এস) : পেট্রিওটিক রাইটর্স ফোরম মণিপুরনা শীন্দুনা ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবকী হোলদা মণিপুরী লেঙ্গ্যুয়েজ দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা লাইরিক অমদি জর্নেলসু ফোঙখি। ঙসি ফোঙখিবশিং অদুদি ঙাথেম ৱাবৈচন্দ্রনা এদিটর ওইবা লিটরেরি জর্নেল *ঙাক্লৌ*, নাওরোইবম খম্বা লুৱাংনা *ইপুথৌ মার্জিং*, য়াইস্কুল খ্বাইরাকপমনা ইবা *ফিজোলসি হোঙলরোইদো ইমা* অমদি সরোজ এন অরাম্বম পারট অমদি জোন পারটকী *কল্লেক্তিব পেপর ওন হিষ্ট্রী এন্দ কলচর ওফ মণিপুর* নি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা এৱার্দ কয়াসু লান্থোকখি। এৱার্দশিং অদুদি আর কাথিং তাঞ্জুল লিটরেরি এৱার্দ ২০১৭ দা ওজিৎকুমার লুৱাংচা, ডা. সরোজ নলিনি পারট লিটরেরি এৱার্দতা শিজ গুরুময়ুম সুচিত্রা, পাচা মৈতৈ লিটরেরি এৱার্দতা সাদোকপম বিরজিৎ মঙাংনি।

থৌরম অদুদা এস দি সী ককচিং লোংজম আশাকুমারনা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখি। পেট্রিওটিক রাইটর্স ফোরম মণিপুরগী প্রসিদেন্ট রঘু লৈশাংথেমনা প্রসিদেন্ট অদুগা এস সী ঈ আর টি গভর্নমেন্ট ওফ মণিপুরগী পোপ্যুলেসন এদ্যুকেসন সেলগী রিটায়র্দ প্রোজেক্ট ওফিসর অরাম্বম মেমেনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা লমদম অসিগী লিটরেচরগী লমদা শক্লাইরবা অইবা, অইবী কয়াসু শরুক য়াখি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

লিগেল এৱ্যেরনেস কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২০ (ঐচ এন এস) : নোংমগী ওইবা লিগেল এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অমা ঙসি হৈত্রোইপোকপী য়াইরিপোক্তা পাঙথোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সর্ভিস ওথোরিটি থৌবাল অমদি ঈ এল ৱাই এস এ ক্লবনা শীন্দুনা প্রোগ্রাম অদু পাঙথোকখিবনি। জে জে এক্ট, পোক্সো এক্ট অমদি ৱুমেন ইম্পাৱরমেন্টকী মতাংদা পাঙথোকখিবা প্রোগ্রাম অদুদা অখঙ অহৈ কয়ানা ৱা ঙাংখি।

হৈত্রোইপোকপী মায়কৈদগী মুসলিম নুপী ৭৫ রোমসু প্রোগ্রাম অদুদা শরুক য়াখি। দিষ্ট্রিক্ট হেল্ঠ সোসাইটি থৌবালগী দিষ্ট্রিক্ট প্রোগ্রাম মেনেজর সীঐচ বসন্ত, এদভোকেট জকির হুসেন অমদি কেঐচ অরুনজয়সু লিগেল এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অদুদা রিসোর্ছ পর্সন ওইনা ৱাংখি। রিসোর্ছ পর্সনশিংনা জে জে এক্ট, পোক্সো এক্ট, ৱুমেন ইম্পাৱরমেন্ট, পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন সিষ্টেম অমদি হেল্ঠ স্কীম কয়াগী মতাংদসু ৱা ঙাংখি। নোংমগী ওইবা লিগেল এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অদুদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংনা ৱাহং কয়াসু রিসোর্ছ পর্সনশিংদা হংবগী খুদোংচাবা পীখি। লিগেলগী ওইবা হীরম কয়াদসু খন্ন নৈনখি।

খৌপুমদা লেম্না লায়েংবগী কেম্প পাঙথোকখ্রে

FREE MEDICAL CAMP

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২০ (ঐচ এন এস) : ভলুন্টরি হেল্ঠ য়ুনিট কম্মিটি রিমসনা জেনিমস হোস্পিটাল পোরোমপাৎ অমসুং খৌপুম এরিয়া রোংমৈলুঙফম নোনে দিষ্ট্রিক্টকা খুৎশম্নুনা শীন্দুনা খৌপুম খামশিলুঙ হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা নুমিৎ নীনিগী ওইবা লেম্না লায়েংবগী কেম্প মপুং ফানা পাঙথোকখ্রে।

কেম্প অদুদা খৌপুমগী খুঞ্জা ১৩৭৫ রোম লেম্না লায়েংখি। লেম্না হিদাক লাংথক কয়াসু য়েন্থোকখি। লায়েংখিবশিংগী মনুংদা অনাবা ৩১২ অলত্রাসাউন্দ লৌদুনা লায়েংবগী থবক চথখি। মীওই ১১২ না গাইনিগী কেস ওইনা লায়েংখি। নোংজু থাগী মতমদা লম্বী থোং ফত্তবনা মরম ওইদুনা লায়েংবগী খুদোংচাবা ফঙদবা অমদি মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা লেম্না লায়েংবগী কেম্প পাঙথোকপা অসিনা লায়রবা মীয়ামগীদি লায়বক ফবনি হায়না ফোঙদোরকখি। খৌপুম এরিয়াগী মৈরা পায়বীগী প্রসিদেন্ট অমসুং রোংমৈলুঙফমগী প্রসিদেন্ট তোম্বীরৌনা কেম্প অদু পাঙথোকপদা থৌদাং কয়া লৌখি হায়নসু মখা তারি।

GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE OF CRAFTSMEN TRAINING
D.C. Office Complex, Lamphelpat, Imphal West

ꯅꯤꯡꯁꯤꯡꯕ/CONDOLENCE MEETING

Imphal, the 19th August, 2017



Shri Th. Ingo Singh

হৌখিবা তাং ১৫/৮/২০১৭ ইংদা Directorate of Craftsmen Training (ITI) দা থবক তৌবীরম্বা **(Late) Shri Th. Ingo Singh** মশাগী অনাবা অমদগী লৈখিদ্রে। মহাক্লা লৈখিদবদা Directorate of Craftsmen Training অমদি ITI গী ষ্টাফশিংনা Condolence Meeting অমা Directorate অসিগী Joint Director, ShriP. Robindro Singh না অথোইবা সভাপতি ওইবীদুনা পাঙথোকখি। লোয়ননা মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্পুনা মহাক্কী থৱায়না ঈংনা চিক্লা ঈশ্বরগী মনাক্তা লৈরুনবা থৌনিজখি। লোয়ননা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি।

Sd/- **P. Robindro Singh**
Joint Director of Craftsmen Training, Manipur

HL-B/4080/20&21

ꯑꯥꯔ ꯑꯥꯔ ꯏꯟꯗꯤꯌꯥ ꯑꯦꯟꯇꯔꯞꯔꯥꯏꯖꯦꯁ
RR INDIA ENTERPRISES
Uripok Laikhurembi Leirak, near Flyover Bridge
MN05D0003489 Regd. under MSME, Govt. of India
If you love your family truely...Then sure to have
"Gas Safety Device" with you
* ISO 9001:2008 Company
* Gas Leakage Detection
* Gas Pressure Indicator
* Save Gas upto 20%
* ARAI Tested
3 Year Warranty
Free Product Liability Insurance upto 1.25 Crores.
Order now for free delivery
Also Urgently Wanted Distributors & Promoters
SAVES LIFE

Sub-Distributors

Kh. Bindia Devi	8259090091	Bishnupur
M. Ranjana Devi	8731961516	Thoubal Athokpam
Grace	7085163607	Singda Dam/Bethel
MaryRose	8131939490	Konung Mamang
Jackson Hijam	7629939757	Thangmeiband
M. Tejbanta	8257952462	Bamon Leikai
Sataranjan S.	8731901441	Moirang
Suresh T.	8794368656	Uripok
Irengbam Luish	9615635467	Nambol
K. Menand	8131921515	Khumbong
Kharibam Patel	9615288380	Kakching/Thoubal
Iboyaima Th.	7308341810	Mayai Lambi Areas
Ch. Thougamba	7629029902	Patsoi
M. Momota Devi	7085383047	Singjamei
Soibam (O) Lata	9612513657	Sagolband/Lamsang
Ningthem	9856992743	Nambol
Oinam Prabin	7005096667	Singjamei/Kakwa

Email: rrindiaenterprise@gmail.com +91 7630900694

HL-P/2553/19,21,23,26,30Aug&3,7,15,19,23,27Sept&1,5 Oct.